# হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Wednesday, March 03, 2021, Imphal — Page 11




য়ু এস এদা থা অসিদা পাঙথোক্কদবা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা অদুগা হৌজিক্কা মশাগী মখূউ শোক্তুনা শান্নবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোকখিবা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোয় রোজর ফেদরর

দব্লিয়ু টি এ টুরগী মনুং চনবা কটারদা পাঙথোকপা কটার টোটেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসতা স্লোভেনিয়াগী এন্দ্রিয়া ক্লেপাককা প্যের ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী শান্নরোয় সানিয়া মির্জা



## লিভরপুলনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে, সাউথমটন এবর্টনগী মখূৎতা মায়থীহৌরে



লন্দন, মার্চ ০২(এজেন্সী):

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা লিভরপুলনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা সাউথমটন এবর্টনগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীহৌরে।

শেফিল্ড য়ুনাইটেদনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ব্রমল লেন্দদা শান্নখিবা ২৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিভরপুলগা লম্বা তৌনখিবনি। লিভরপুলগী টিম মমাংদা শান্নবা লোইশিনখিবা ২৫শুবা রাউন্দ ফাওবদা পোইন্ট ৪০ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ টিম ২০না লম্বা তৌনরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা লিভরপুলগী কর্টিশ জোন্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা শান্নবগী ৬৪শুবা মেটচতা ফজবা হেল্লকখিবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী কিন ব্রায়নননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না থোইখি। লিভরপুল ঙরাংগী মায় পাকখিবা মেটচ অদু থারগা রাউন্দ ২৬তা পোইন্ট ৪৩ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। খ্বাইদগী মকোক্তা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট ৬২ ফংলগা খ্বাইদগী নক্ক বা লম্বা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী পোইন্ট ১২ হেল্লি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এবর্টননা য়ূম্বু ওইরগা সাউথমটনগা লম্বা তৌনবনি। মেটচ অদুগী ৯শুবা মিনটতা এবর্টনগী মায়কৈদগী রিচার্লিসননা মহাক্কী টিমমেট গিলফি সুগর্দসনগী পাস অমদা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা সাউথমটন খূৎ হনবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ অদুদা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা এবর্টনগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ১-০দা সাউথমটনবু মখোয়না থোইরগা পোইন্ট ৪৩ ফংদুনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## এটলেটিকো মাদ্রিদনা ভিল্লারিয়াল মায়থীবা পীদুনা লালিগাগী পোইন্ট টেবল মখা তানা মাঙজিল থারি



মাদ্রিদ, মার্চ ০২(এজেন্সী):

এটলেটিকো মাদ্রিদনা ভিল্লারিয়ালবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা স্পেনদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী পোইন্ট টেবল মখা তানা মাঙজিল থারি।

ঙরাং শান্নখিবা লালিগাগী মেটচ অমদা ভিল্লারিয়ালনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী ষ্টেদিয়ম সেরামিকাদা এটলেটিকো মাদ্রিদকা লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী অলফোন্সো পেদ্রাজানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ভিল্লারিয়ালবু মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ২০ ফাজিল্লকপা ফাওবদা ভিল্লারিয়ালগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা জোৱা ফেলিক্সনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মখা তানা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী লেমহৌরিবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা ভিল্লারিয়ালগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা পুশিল্লকখিবা বোল খূদিংমক কান্নবা ফংদনা মেটচ অদু এটলেটিকোনা ২-০দা থোইদুনা টিম অদুগী ওইনা লালিগাগী মেটচ ২৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৫৮ ফংলগা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা বর্সেলোনাদগী পোইন্ট ৫ হেল্লগা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং রিয়াল সোসাইদেদ পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা রিয়াল সোসাইদেদকী মায়কৈদগী পোর্টুনা পাঞ্জল চল্লগা মাঙজিল থাখি। অদুবু রিয়াল মাদ্রিদকী ভিনিসিয়স জুনিয়রনা ইক্কেলাইজর অদু ৮৯শুবা মিনটতা চনখি।

## কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী প্রিলিমিনরি স্কৱাদ লাউথোকপদা মণিপুরগী শান্নরোয় ৬ য়াওখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ০২(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা দুবাইদা মার্চ থাদা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীগীদমক্তা প্রিলিমিনরি স্কৱাদ ৩৫ লাউথোকপগী মনুংদা মণিপুরগী শান্নরোয় ৬ য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মার্চ ২৫দা ওমানগা অহানবা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগনি। অদুগা মার্চ ২৯দনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা ওমানগা ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ১৯দা লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং মেটচতা অমুক্কা হন্নসু লম্বা তৌনগদৌরি।

হেদ কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা লাউথোকখিবা শান্নরোয় ৩৫গী প্রিলিমিনরি স্কৱাদ অদুগী মনুংদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মার্চ ১৩দা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচ অদু লোইরবা মতুং অরোইবা শান্নরোয় ২৮গী লিষ্ট অমমুক থোক্লকখিগদৌরি। শান্নরোয় ৩৫গী প্রিলিমিনরি স্কৱাদতা য়াওখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা মোইরাংথেম ধীরজ, দিফেন্দরদা কোন্সম চিংলেনসনা, মিদফিল্দদা কুমাম উদান্তা, থৌনাওজম জিকসন, ৱাংজম সুরেশ অমসুং থৌনাওজম বিপিননি। নীংশিংবা য়াই, শান্নরোয় ৩৫গী মনুংদা খনগৎলক্লবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৬কী মনুংদা কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় ৩ য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি গোলকিপর মোইরাংথেম ধীরজ, মিদফিল্দদা শরুক য়ারিবা থৌনাওজম জিকসন অমসুং ৱাংজম সুরেশনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী টিমনা ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নবা ফংখিদবা অদু লাইচৎ অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম্না খূদোংচাবা পীদুনা ওমান অমদি য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকা শান্নবা ফংগদৌরি হায়খি।

## অসাম রাইফলসনা ভোলিবোলগী কোর্ট অমসুং পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

অসাম রাইফলসকী শংশক বট্টালিয়ননা ঙরাং কাংকুম ভিলেজদা ভোলিবোল কোর্ট অমা শেম্লগা খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা মফম অদুগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা ভোলিবোলগী পোৎলমশিং অমদি অতোপ্পা মচাকশিংসু য়েন্থোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শিল্লিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী শংশক বট্টালিয়নননা কাংকুম ভিলেজদা ভোলিবোল কোর্ট শিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা পুনম রাম ভিলেজ, কাংকুম ভিলেজ অমদি কাসোমদা লৈবা অসাম রাইফলসকী টিমগা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচশিং শান্নখি। হায়রিবা থৌরম অদুদা ভিলেজ ওথোরিটিশিং, অহল অমদি নহাশিং শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসনা নোর্থ ইষ্টকী মফম খূদিংমক্তা পায়খৎলিবা শান্নবগী অমদি হকচাং ফনা লৈবগী খোঙজং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

## সী ঐচ ৱাই য়ু সী (এ) অমসুং (বি)গী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোক্লকপা ১১শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (এ) অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী (বি)গী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (এ) চালৌ অমসুং এফ সী হুইদ্রোম লম্বা তৌনবদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (এ) চালৌনা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচকী ৬শুবা মিনটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (এ) চালৌগী জর্সি নম্বর ৭ দব্লিয়ু ঙাইসনানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ এল ঙৌবনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

এফ সী হুইদ্রোমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী শোথখিবা অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (এ) চালৌগী জর্সি নম্বর ১৩ দব্লিয়ু ভিমনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। এফ সী হুইদ্রোমগী মায়কৈদগী মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (বি) চালৌনা এফ সী য়ৌরবুংবু টোসতা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নদবদগী পেনাল্টি কাওনখি। মদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৭-৭ চন্নরগা অমুক্কা হন্না লম্বা মান্নখিবনা মরম ওইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শেমখিবা কাঙলোনগী মতুংইন্না মায় পাকপা টিম অদু মশক খঙদোক্লবা টোস তৌবদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (বি) চালৌনা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ১১শুবা অস্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০২১ থা অসিগী ৭তগী হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৬না শরুক য়ারি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ টুর্নামেন্টকী প্রি ক্বালিফায়িং রাউন্দ ওইগদৌরি। টিমশিং অদুদি আই সী এস এ ইরেংবম, দব্লিয়ু এফ এ ককচীং, এ এম এম এ এফ সী অন্দ্রো, এম পি এস সী, ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং ঈ এস য়ুনি।

## অস্বিনগী মমিং খনবদা য়াওরক্লে

দুবাই, মার্চ ০২ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা থা খূদিংগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মমিং লাউথোক্কদবগী খনগৎখিবা শান্নরোয় ৩গী মনুংদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পিন্নর রবিচন্দ্রন অস্বিন য়াওখ্রে। নীংশিংবা য়াই, রবিচন্দ্রন অস্বিননা ইংলেন্দগা শান্নবা টেষ্ট মেটচতা রন ১০৬ লৌদুনা ইংলেন্দবু থোইখিবা অমদি মহাক্কী করিয়রগী ওইবা ৪০০রকশুবা টেষ্ট ৱিকেট লৌবা ঙমখিবনি। খনগৎখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অনী অদুদি ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুট অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজকী বেটসমেন কাইল মেয়র্সনি।

## ইম্ফাল ইষ্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকাইদা লৈবা যোগা এন্দ নেচর ক্যুর হোমদা ডা. এম অগনিনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা মমাং থাগী ১৭তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইবা ইম্ফাল ইষ্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসন কৌবা লূপ অমা শেম্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এসোসিএসন অসি শেমখিবগা লোয়ননা থৌ পুগদবা ওফিসলশিংসু খনখি। প্রসিদেন্টকী ফমদা মাইবম বিজয়, ভাইস প্রসিদেন্টতা থোকচোম ব্রজবিধু, জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমদা কোন্সম সুবোল, এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিদা পিঙ্কি উশম, ফাইনান্স সেক্রেটরিগী ফমদা নোংথোম্বম অঙৌসনা, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা নোংথোম্বম বিমোল মৈতৈ অমসুং এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা শান্তিব্রতা য়াম্বেমনি।

## হুইকপ এফ সীনা ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোকপু ১-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোকনা শীন্দুনা য়াইরিপোক নিংথৌনাই প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১৮না শরুক য়াদুনা শান্নরিবা অনীরকশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা হুইকপ এফ সীনা ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোকপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি ৱাই পি ও তোপ চীংথানা সদাম এফ সী চঙমদবীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ২১দগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা হুইকপ এফ সীনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু টিম ওইরিবা ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোক্কা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ১-০দা থোইবা ঙমখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা টি ৱাই পি ও তোপ চীংথানা য়াম্না ফজবা হেন্দুনা সদাম এফ সী চঙমদবীবু ৩-১দা থোইখি। হয়েং গ্রুপ সী অমসুং দিগী মেটচ অনী শান্নগনি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY


ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021



Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020




| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o.H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 44**

**Agamaliev,G (2520) - Maciejewski,M (2330)**

**Open Polanica Zdroj POL (5), 2000.08.21**

1.d4 Nf6 2.Nf3 g6 3.c4 Bg7 4.Nc3 O-O 5.e4 d6 6.Be2 e5 7.d5 a5 8.Bg5 h6 9.Bh4 Na6 10.Nd2 Qe8 11.a3 Bd7 12.b3 Nh7 13.O-O h5 14.f3 Bh6 15.Kh1 Be3 16.Ra2 f5 17.exf5 gxf5 18.Qb1 Qg6 19.b4 axb4 20.axb4 Kh8 21.Nd1 Bg5 22.Bxg5 Nxg5 23.Re1 Rg8 24.Bf1 Nh3 25.Nb3 Nf4 26.b5 Nb4 27.Rxa8 Rxa8 28.Nc1 Rg8 29.Ne3 Nh3 30.Re2 e4 31.Qxb4 exf3 32.Ra2 f2 33.Nd1...

**QUESTION :**

**Black wins in 3 moves**

**Puzzle 43 Ans. :**

**32.**b4 Qxh2+The black queen decoys White's king. **33.**Kxh2 Bf4+ **34.**Kg1 h2#

**32...**cxb4 **33.**Be6+ Kh8 **34.**Nf5 Qxd2 **35.**Rxd2 Rxf5 **36.**Bxf5 Bxd2 **37.**Rd1 Bc3 **38.**c5 dxc5 **39.**d6 b3 **40.**d7 Bxa5 **41.**Ra1